# তাইবং থৱায় ওইরিবা ঈশিংবু তরু-তরুনা থম্নবা অমদি সমুদ্রগী পোখোকশিংবু কন্নবা পান্দমদা ৱর্ল্ড ওসিন দে




-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

"তাইবঙ থৱায় ওইরিবা ঈশিং অসি ফংখিদবা মতাং লাক্লবদি কমদৌবা? ইথৌ ইরৈ হেক লৈতখৈ করিগুম্বা মতমদা হেক হেক খল্লি। অকিবসু ফাওই। হুমাং শ্বাই-শ্বাই পাখৎলি। মতম অমা লৈরম্মী, হিন্দু লাইনীং চৎপা মৈতৈশিংনা চহী খুদিংগী বৃন্দাবন চৎপা হায়না খঙনবা হিন্দুগী মরু ওইবা লাইফম খরদা লাই খুরুম্বা চৎনরম্মী। লাইফমশিংদু য়ৌরুরবা অবোক্না লৈবীরকপা অথুম-অহাউ, চরিক্লচিংবদু ফংবদা ঐখোয়না কয়াগী মতিক পেঞ্জখিবা। অবোক্তো অদুক্কী মতিক নুংশিখি। গঙ্গা তুরেলগী ঈশিংনি হায় (মতমদুদা গঙ্গাজল হায়রগা খঙনৈ) খুজাই অমদা মখুম্নচিংবা চেৎনা খুমজিন্দুনা য়াম্না চেকশিন্না পুরকই। য়ূমলোন কৈরোন্নবা, ইমুং-মনুং, নক্লবা মরী-মতা, লুনা চান্না তিন্নবা মরুপ-মপাংশিং পূম্নমক থুংননবা খরা খরা য়েল্লি। মতমদুদা চেৎনা থাজনখিবা হায়নখিবসি ***"গঙ্গাজল থক্লবদি লায়না তীলনা পূম্নমক কোকপা ঙম্মী।"*** থাজনবী হায়বসিসু তরাই তরাই খল্লুবা য়াবা নত্তে, মদু থক্লবা মতুংদদি ৱাখলকসে খংয়াং হেক য়াঙবগুম তৌখি। শমজিন্না হায়রবদা শিরোই নারোইদবোই খনখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈগী ৱানি। ৱাখল তারকপা, গঙ্গা তুরেলগী ঈশিংনা অদুক্কী মতিক মোৎশিল্লকপদু খঙলকপদদি তু মান খ্যাও খ্যাও চুংবজাৎনি। তৌববুদি মতম অমদা তুরেল, থৈগোং (ঈখৈ খোং) দা ঈরুপ্পদা থকখিবা ঈশিং ময়ামদু শিদি শিদেকো। শারবা নুংশাদা স্কুলদগী হল্লকপদা পুখ্রিগী সিরিদা কুমথরগা খুজোক্না কল্লগা ঈশিং পংথক্তা থকচিল্লি। করিগুম্বা মতমদা শুমাংদা খিল্লিবা বালটিন্দা য়াওবা ঈশিংদা মায় উপশিল্লগা ঈশিং থকপসু কোঙ্গায়নি। মদুদা ইমাখোয়না তত্তনা হায়, ***"অদুম্না ঈশিং থক্কনু ষণহীক চঙগনি।"*** অদুনা কিরপ্পা অমা ফাওখি।

মতমদুদা পুখ্রি মখল অনী থোক্না খাইদোক্লম্মী। কোনফেং কোনজাম, ফী শুবা, ঈরু মায়থবনচিংবা অদুমক তৌশিনবা পুখ্রি অদুগা হায়রিবশিং অসি তৌশিন্দনা ময়ামগী চান-থক্লবা ওইনা শীজিন্নবা পুখ্রি। ময়ামগী চান থক্লবা পুখ্রি অদু য়াম্না তোয়না শেংদোকপগা লোয়ননা তরু তনান্না থম্মী। ইমুং অমগী শীজিন্নবা ঈশিংসু অশেংবা অমদি অমাঙবা হায়না খায়দোক্লম্মী। অশেংবা ঈশিংদি ঈরুজথোক্লগা শোক্লুবা ঈশিংদু ঈশিং পুন, তেক, সনাবুন্নচিংবদা হাপ্লগা চাকশঙদা তোঙান্না তরু তনান্না থম্মী। হিন্দু লাইনীংনা মনীং তম্না হাইজিনখ্রবসু মৈতৈগী য়ূম খুদিংদা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেন শিদবীগী মফম কন্দুনা ঙসি ফাওবা থম্লক্লি। ইমা লৈমরেন শিদবগী খুভম ওইরিবা ঈশাইফুগী ঈশিং কংহনবা তৌহৈদে হায়নৈ। মৈতৈ ইমুং অমদা অঙাং পোকপা নৎত্রগা শিবা মতমদা থৌদোক থোক্লিবা ইমুং অমদি শাগৈ অদু য়ূম মাংলিবনি হায়না লৌনৈ। মরম অদুনা য়ূম শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকই। মদুদা নাহাই তাইরেন অমসুং পুংফাই নাপি নৎত্রগা তুলসি ঈশিংদা লুপ্লগা খিক্তোক্তুনা শেংদোকই। লমদম অসিগী লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরম খুদিংমক্তা অশেংবা ঈশিং য়াওদবা য়াদে। ঈরাইলৈমবু ঈশিংগী লাইরেম্বীনি হায়না থাজনৈ। লাইরেম্বী অসি লৈবা মরম্না ঈশিং মনুংদা মপান থোকচিনবনচিংবা ফত্ত হাওদি তৌশিনবা তৌহৈদে হায়না অহল লমনশিংনা তাকপীরম্মী। ঈশিংবু মোৎশিনহন্দনা তরু তরুনা থম্নবা লাইৱানি। লৌশিনবা হৈতবা হায়গদ্রা ঐখোয়না থৌশাবীদে। ঙসিদি মমল পীদুনা লৈবা টৌটি ঈশিং, লৈনুং ঈশিং, মিনরেল ৱাটরনচিংবা শীজিন্নবগা লোয়ননা পাৎ, তুরেল, পুখ্রি, খোংনচিংবগী ঈশিংবু মীরায়বগী চাং নোংম-নোংমগী অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি। শীজিন্নদ্রবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম কয়া লংথদুনা য়েংবদা অকিবা ফাওরবনি। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা ওক, য়েন, ঙানুনচিংবা অমদি তাইবঙ মীওইবগী অমাঙ অশোয় ফত্ত হাওদিশিংসু চেন্থরক্তুনা ঈশিংগা অমত্তা ওইনা তিন্নখ্রে। ফনা য়াম্না লাউ খোংলবসু তাশিন্নদবগুম তৌরি।

ঙসিদি ৱর্ল্ড ওসিন দেনি। খৃষ্ট কুম ১৯৯২দা ইহান হানবা ওইনা ৱর্ল্ড ওসিন দে পাঙথোক্লবা ৱাফম থাঙ্গৎনরকখিবগা লোয়ননা মতুং তারকপদা খৃষ্ট কুম ২০০৮-দগী হৌনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী লমজিং মখাদা মালেমগী থাক্তা ৱর্ল্ড ওসিন দে লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমসি চহীগী থিমদি ***"The Ocean : Life and Livelihood"*** হায়বসিনি। সমুদ্রদা লৈরিবা ঙা মখলশিং, পাম্বীনচিংবা কয়ানা হীরম কয়াদা কান্নবা পীদুনা মীওইবগী পুন্সিগা তৎন-থানবা য়াদনা লৈরক্লি। অসিগুম্লবা শেন্মীৎলোন অমদি হকশেলগী তৃংনফম ওইরিবা সমুদ্রগী পোখোক কয়া মাঙ তাকশিল্লকপগী অকিবা ফীভম লাকখ্রে। অকিবা ফীভম অসিদগী কন্নবগীদমক ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি। মরমদি মীওইবা ঐখোয়না খন্থবা ৱাৎপা, থৌশাদবা নৎত্রগা মতম খরগী ওইবা কান্নবা নুংঙাইবা অদুখক্তমক ফংনবা হোৎনদুনা লৈগল্লি। মদুনা মরম ওইরগা লাক্কদবা খুদোংথীবা কয়াদু খঙনা খঙনা খঙশিন্নদে। খুদম ওইনা হায়রবদা সমুদ্রশিংদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংনা খুদুম চনশিনখিবগী অকি তুজুংলবা ফীভম অমসুং সমুদ্র শেংদোকপগী খোঙজং মমাঙদা নৈনজখ্রে। ঈহৌ অসি নৎত্রবদি মীওই মিলিয়ন কয়াগী থৱায় ওইরিবা সমুদ্র অমদি মসিগী পোখোকশিং কন্নবা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈরোই।

অঙনবা মতমদগী হৌনা মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌ অমদি লৈবাক মীয়াম্না পাৎ তুরেলনচিংবা লুনা নান্না থম্নবগী থবক পাঙথোক্লম্মী। লমদম অসিগী মরু ওইবা লন ওইদুনা লাকখিবা পাৎশিংগী মনুংদা লোক্তাক, খোইদুম, পুম্লেন, ৱাইথৌ, লম্ফেল, য়ারল, ঈকোপ, তাকনখানচিংবা পনবা য়াই। মশাগী শক্তম মাঙখিবসু কোঙ্গায়নি। অদুবু পাৎশিং অসি লমদম অসিগী পুৱারী, কলচর লাইনীং লাইচৎ অমদি পুন্সিরোলগা শাগোন্নদুনা লাক্লি। মোইরাং শাইওন তরেৎকী ৱারী লোক্তাক পাত্তা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎপনি। খম্বা থোইবীগী ৱারীদা খম্বা খম্নু মচিন মৌপ্পাবু নাউয়োকখিবী লোক্তাক লাইরেম্বী ইমানি। ফূমদি শেংদোকপা অমদি লোক্তাক কনবগী খোঙজং লাকখ্রে। মসিনা খোঙজং অসি মপূং ফানা মায় পাক্লব্রা হায়বদুমদি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি। তুরেলশিংসু অদুমঙায় মতম অমদা মরাং কায়না চাবা ফংলম্বা নূংশম উবা ইফং ফংখিদ্রে। নপ নপ লাউনা মহাউ লৈখ্রবা তুরেল ঙা মখল কয়া মহাউ তংখিদবা কুইরেদা। ৱর্ল্ড ওসিন দে লাক্লে। কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরকসিদা ঐখোয়গী পাৎ তুরেলনা করম্বা ফীভমদা...? ●

# মৈতৈ খুন্নাইগী পুন্সিদা কৌব্রু চীংগী অহকপা

- শমচেৎশাবম কোন্দুম্বা -

**কৌব্রু চীং কৌখিবা :-** কৌব্রু চীংজাও অসি লৈবাক অসিগী য়েলহৌমীশিং চীংমী অমদি তম্মীশিংনা নীংশিংবা ঙমদ্রবা মতমদগী খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরকখ্রবা, পিকখ্রবা তম্পাক্কী লম অমখকপু পন শানা কোয়শিন্দুনা থন্নিবা চীংশাং পরেংশিংগী মনুংদা থোইদোক্না লাইফম য়াম্না লৈবা চীংজাও অমনি। চীং অসিবু 'কৌব্রু চীং' কৌখিবগী মরমদা থায়নগী মাইচৌশিংনা ৱারী-ৱাখোঙ তাক্তুনা 'কৌব্রু চীঙ্গোয়রোল' অমদি 'লাঙ্গোল চীঙ্গোইরোল' কৌবা লাইরিকশিং ইদুনা থম্বীরম্মী। হায়রিবা লাইরিকশিংদা অসুম্না হায়রম্মী "... য়োইময়াই তাওদনবা য়াৱা মপাও চাওনচীংনে। লাইয়িংথৌ কৌবরেল অহনবা, শোংলেল লান্থবা, চিংঙু কৌবাচীং নোংপোক কৌবচীংনে। অসুম্না 'কৌবরেন অহনবা' হায়বা লাইগী খুভম ওইবা চীংনি হায়বদগী 'কৌব্রু চীং' কৌখি।

**চীংদোন্দা লৈবা লাইফমগী মরমদা :-** চীংজাও অসিগী চীংদোন্দা অরুবা লাইফম অমা ওইনা লৈবাক্কী মীয়াম্না চহী অমগী অহৌবা থা ওইরিবা শজিবু থাদা খুরুম্নদুনা লাক্লবা লাইফম অসিগী মরমদসু অসুম্না ইরি "... লাইয়িংথৌ কৌবরেল অহনবনা লাৱাই কোকরেন্থক্তা মানা মানা, কৌনা কৌনা শৈহৌববু চিংঙু মঙাইরোয়, খোইয়ুম মহিশাংবু লাইজ তরঙ থক্তা নাওয়োকপা, কৌবরেন মচা অহনবা, চিংঙু অৱাং কৌবা অহনবগী মোংবা য়ূমদাং শাংনে।" অসুম্না চীংজাও অসিগী চীংদোন্দা লৈরিবা লাইজ তরঙ ঈপাক ইকোম অমদি শুরুং লাইফম, পূম্নমক অসি কৌবরেল হায়বা চীংসিগী মপু ওইরিবা অসিগা মচা-মনাই লাইশিংগা লোয়ননা খুন্দাবিদুনা তাইবঙ থৱায়শিংবু অরান খুভম ফংহনবীরিবা লাইফমনি।

অসুম্না চীংজাও অসিবু উমংলাই ৩৬১গী অশুপ্পা কৌবরেল হায়বা লাইনা লৈবা মফম ওইবদগী মৈতৈ খুন্নাইনা পুন্সিগী লান্নলমদাংগী মশক ওইরিবা লাইথৌ, 'উমংলাই হরাওবা' হায়বা অসিগী লাইশোন্দসু চীং অসিগী মতিকপু মখাগী অসুম্না শৈথারিবনি।" ... অৱাং কৌব্রু অশুপ্পা, লাইয়াম খুন্দা অহানবা চারিক মপান থাদ্রিঙৈ চারিক মপান থাবিবা, নোংথৈ মউ লিংদ্রিঙৈ নোংথৈ মউ লিংবীবা, চিংঙু লীক্লম ঙাকপ-ও..."। অসুম্না শৈথাদুনা খুরুমজরিবনি। লোয়ননা লাইদা কৎনবগীদমক পুরক্লিবা হৈ-লৈ অমদি লাক্লিবা মীশকশিং অদুসু শেংদোক্লবগীদমক (লম্বীদা লাকপদা মীৎনা উদবদগী অপিকপা থৱায় পানবশিংবু নেত্তুনা শিহল্লম্বা থোক্লবসু) ঈশিংনা খিক্তোক-চামথোকপদা শীজিন্নরিবা ঈশিং অদু কৌব্রু চীংদা চেনবা ঈশিংনি হায়না খঙহন্দুনা মখাগী লাইশোন অসুম্না শোল্লিবনি।" ... কোরৌ মচি ঈ, ৱাংবন মনাও ঈ, কশালাল্লোই ঈ, খাকপা পুরৈরোম্বা, পুরাং নাগবা, কোকসালোঙ ওন্দেবা, খোংমালোঙ হনৱাইবা, অৱাং-কৌব্রু অশুপ্পা য়ারক্তগী শিন্থ ঈ..."। অসুম্না কৌবরেন্না খুন্দাবা, কৌব্রু চীং অসিদা লৈরিবা পোৎ, চেল্লিবা ঈশিংনচিংবা পূম্নমক অসিদি তাইবঙ মীওইবনা অয়োন-অরাল তৌরুরবসু হেক শোকপদা পুমশেং শেংহনবা ঙম্বা চীংনি হায়না থাজনরিবনি।

**চীংখোঙদা লৈবা লাইখাগী মরমদা :-** "কৌব্রু লাইখা" হায়না হৌজিক মীয়াম্না খঙনরিবা লাইফম অসিগী মরমদসু মখাগী অসুম্না পল্লি - "কৌবা মদাইমদি ঙাঙোই য়োয়মোংবনা মোংবয়ুমজাও শাঙৈদা উরেপ চারা ওনবা অশৈখোংফাং লেংনতিন্না, অমাই নাক্লৌশিন্না অরেম্বা শোয়নিৱাই, চাওবা শাবোনঙম্বনা খালৈ মরৌ য়েংলুবদা তুবি কোঙ্য়াঙ লাইরেল অঙনববু চৈবীরে। নোংদা চীংখনয়াঙ্ লুতুৱাই, খোইয়ুম তীংলি-য়াঙ্লী তৎলববু লাইশেংৱাইনে।" অসুম্না লাইফম অসিগী ঈশিংনা, শিরবা 'তুবীঅঙনবা' হায়বা লাইরেনগী মশাদু হেক লুপ্লুবদা হিংবা ঙমখিবা লাইফমনি। অদুগা কৌব্রু অহনবগী মচানুপী 'লিক্লাবিচা' হায়বীসু পুরৈরোম্বগা কায়নরবদা মফম অসিগী ঈশিংদা লুপ্তুনা থৱায়না অরানখুভম ফংখ্রবদা মচানিপা অনী, 'খোইদোম' অমসুং 'মান্দোম' না মমাবু থিরকপদা মমাগী হকচাং ফংখিবা মফমনি। অমুকসু লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মচানিংঙোল ৬সু (খোংজোম্নুবী ৬), মপানা লৎনবিরবদা ইকায়বদগী মফম অসিদা ইরু শান্দেংজরগা মশাগী অরানবা কোক্তুনা নোঙ্গালম্বী ফংখিবা লাইফমনি।

অসুম্না কৌব্রু চীংজাওদা লৈরিবা লাইফম ১০০ হেনবা অসিগী মনুংদগী চীংদোন্দা লৈরিবা লাইফম (অচৌবা ঈকোম) অমদি চীংখোঙদা লৈরিবা লাইখা ঈরোক' অসিদি লমদম অসিগী য়েলহৌমী খুন্নাই অসিগী পুন্সিনা লোইরদুনা থৱায়না নোঙ্গালম্বী পাংলকপদা অরান খুভম ফংহনবীদুনা মপুগী নাক্তা পুশিনবীয়ু হায়না, তাইবঙনা হিংলিঙৈদা লাইফমশিংসিবু খুরুমজহৌরবদি লেপ্পা মহয় ফংবা ঙম্মী হায়না কুমশিং কয়া কুমকাওদনা খুরুম্নরক্লিবা লাইফমনি। অদুগা চীংজাও অসিগী অতোপ্পা মফম কয়ামরুমদা লৈরিবা লাইফমশিংসিসু লৈবাক অসিদা মতিক মঙান নাইনা পানখিবা নিংথৌশিংনসু লৈবাক মরা তপ্পা পানবা ঙমহনবীয়ু হায়না থৌজাল নিজবদা লেপ্পা মহয় ফংখিবা মরু ওইবা লাইফমশিং লৈরিবনি। অসুম্না অরুবা লাইফম ময়াম্না চীংজাওসিগী চীংমায়শিং লাইতিনকোন থেন' কয়া, লোকশা কয়াদা লাইফম কয়ামরুম্না শন্দোক্তুনা লৈরিবা চীংজাও অসিদি মৈতৈ খুন্নাইগীদমক্তদি পুন্সি লমদাংনি।

অদুবু হন্দক নুংঙাইতবা থৌদোক অমা মীওই খরনা কৌব্রুগী লাইফমশিংদা অয়েৎ অকায় পীরকপা লোয়ননা লাইখাগী লাইফমদা মৈপোক-লাংহৌ থোকহন্দুনা মৈরানবীনা মৈরিদা চোংশিনগে থৌরাংলম্বা অসি তৌহৈদে। তৌগনু। লমকোয়বা মীনা কনাগুম্বগী য়ূমদা থুংলুরগা অতিথি থৌগল তৌজরিবা মী অদুগী পোৎ হুরাল্লুরবদি করি মহয় ফংগনি খন্থবা ফৈ। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা য়েলহৌমী ফুরুপ ৩০ হেনবনা নিংশিংবা ঙমদ্রবা মতমদগী নুংশি চান্নদা থমোয়গী মরী থম্নদুনা অমদি চারৌ-মৌরৌনদুনা লাকখিবনি। ফুরুপ ময়াম অসি মাগী মাগী লোল অমদি লাইনিংদা তোঙান্নরবসু য়েলহৌ নাৎতি (ফোক কলচর) অমগা অমগা মরী লৈনরি। হৌজিক হৌজিকমক চীংগী য়েলহৌমী ফুরুপ ময়াম অসিগী মনুংদা কবুই, তাঙ্খুল, মাও, মরাম, থঙ্গাল, মরিং, অনাল, আইমোল অমসুং মৈতৈ হায়রিবশিংসিনা লৈবাক্কী ওইবা থাক্তা তম্পাক্কী লমদা পাঙথোক্লিবা য়েলহৌ কুম্মৈ 'মেরা হৌচোংবা' দা শরুক য়ামিন্নরিবনি। লোয়ননা চীংশাংশিংদা লৈরিবা লাইফমশিংবু খুরুম-খাজংদুনা ঙাক শেল্লিবনি।

অদুনা অরোইবদা খঙহঞ্জনীংবদি ঐখোয়গী লৈবাকসিদা লৈরিবা খুন্নাইসিদি চীং-পাৎ, তুরেল অমদি তম্পাক্কী মফম কয়ামরুমদা শন্দোক্তুনা লৈরিবা উমংলাইশিংনা ঙাক শেনবীদুনা হিংলিবা পুন্সিনি হায়বসি খন্থমিন্নদুনা য়েলহৌমীবু ওইরবসু অথেংবদা চঙলকপবু ওইরবসু লাইফমশিং ঙাকমিন্নবনা তংদু লৈতাবা খুন্নাই ওইবা ঙমগনি।? ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লংথবাল এ সীগী এম এল এবু থাগৎচরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সিবু তুম্না মাঙহল্লগে মতাগুম নোংমা কাংদনা মীশি মীনা থোক্লক্লিবা অসিদা লায়না লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা হায়না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর শমুরৌনা ভেক্সিনেসন তৌদুনা লাক্লি। ভেক্সিনেসন তৌবদা অচৌবা মায়োক্নরিবা অসিদা সিভিল ওর্গনাইজেসন অমসুং লোকল ক্লবশিংনা মতেং পাংদুনা লাক্লিবা অসিদা অৱাৎপা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি। কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন তৌবদা অহানবা মরু ওইবা পোৎলমশিং মাস্ক, সেনিটাইজর, সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইটশিং অসিনি। অৱাৎপা কয়া অসিবু উবীদুনা লংথবাল এ সীগী ওনরেবল এম এল এ করাম শ্যামনা মফম অসিদা লাকপীদুনা মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশীং ১০ খূৎশিন্নবীরম্মী। লোয়ননা মতম কয়াগী মমাঙদগী অৱাৎপা অমা ওইদুনা লৈরবা ইমর্জেন্সি মতমদা য়াম্না মরু ওইরিবা জেনরেটর অমসু খূৎশিন্নবীরম্লে। লংথবাল এ সীগী ওনরেবল এম এল এ করাম শ্যামনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি খূৎশিন্নরম্বগা লোয়ননা অৱাৎপা মেনখৎপীরম্বা অসিগীদমক্তসু থাগৎচরি। লোয়ননা মসিদগী হেনবা কয়া অমসু মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু থমজরি।

*অদোমগী - ডা. ঐচ রোবি*
*এম ও ইন-চার্জ হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর শমুরৌ*

## কোক্তা খূৎ হাপকদৌরিবা লাইচৎনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌজিক হৌজিক হিংলিবনি হায়দুনা হিংনরিবা ঐখোয় খুদিংসে ৱাখল তানা, থৱায় নুংঙাইনা, খুয়া তুশিৎনা লৈবা অমত্তা য়াওনদ্রবনি। মসি পূম্নমকসি করিদগী করম তৌনা ওইরকখিবা, মসিমা হায়রুদ্রবসু মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমা ওইরবনি। নহা খঙদে, অহল খঙদে চিলহাউ থিদবা হন্দক্কী লাইচৎসিদি অচান-মীরাই নাইদে হায়বা অসিমা ঐখোয় খুদিংনা খঙবগী তঙাইফদবা ওইরবনি। লায়না লাইচৎসিনা শোকহল্লিবা কয়া থারুদুনা লোইবা নত্তে। মহৈ লোইশঙ খুদিংমক ছুটি লাউথোকখিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎসিবু নেমথদ্রিবা ফাওবা স্কুল কানগনি হায়বা থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগনি। শিবগা চঙবগা অনীগী লংদাইদা লৈরগা শিবদি কনানসু পাম্নদবা মরম্না চঙবনা ফৈ মসিমক হায়নদৌরিবনি। ইমানা পোকপদগীনা তানরক্তবা লায়না লাইচৎ কয়া অমা থোরকপা মসি মুন্না খল্লুরবদি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়বু য়ারবদি মাঙহল্লগে-তাকহল্লগে হায়দুনা তাইবঙসিদা খোঙদারকপা মসি নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা লৈত্রবনি।

হিংলিবা ঐখোয়না খ্বাইদগী জোতোন তৌদুনা চেকশিনগদবসি কোভিদ-১৯গী চৎন কাঙলোন খরসিনি। পোজিটিভ ওইরিবা মীয়ামসিনবু লৌবুক্কী ফৌগী পোখোক্কা ওইরম্লবা চিঞ্জাক্তা ৱাগদৌরিবসিবু কদায়দনো? ৱানিঙাই লৈতে। লাইবক ফদনা গভর্ণমেন্টকী লায়েংশঙদা য়েংহৌরগা য়েংহৌরে। অদু নত্তবদা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়েংবনা ফগদ্রা খনবদগী... অদুবু লাইবক থীবা অমদগী লাইচৎসিনা ঙমদুনা তাইবঙপাল থাদোকখ্রবসু লায়েংমলদি তাবা য়াবা নত্তে। শিবা নৎত্রগা চঙবা অনীসিগী মনুংদা অমদি শোয়দনা ওইদৌরিবনি। অসুক য়াম্না শাথীরবা লাইচৎসিবু কননবগীদমক লম্বী সরক্তা মী চৎনদবা মখৈ কর্ফিয়ুনি হায়দুনা ঙম্নমক খঙনরবা মতমসিদা কর্ফিয়ুবু থুগাইদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওই কয়া আর এ টি টেষ্ট তৌবদা ইথা থাজদনা পোজিটিভ ওইরম্বা মসিবু হেক্তা হায়জিনবা, শেমজিনবা য়াবা নত্তে। কর্ফিয়ু লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা চৎথোক-চৎশিন তৌনরিবা ঙম্নমক পোজিটিভ য়াওরমদৌরিবনি। মশানা চিংনজরবা মখোয়শিংসিনা করম তৌনা লম্বী সরক্তা চৎলিবা? মথং-মথং শন্দোরকপদা তপথবা লৈত্রবা অমদগী অনী, অহুম... মথং মথংগী লাইচৎ লায়ওং ওইরবনি। মসিবু থিংনবগীদমক লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা, লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরম খুদিংমক ঐখোয়গীদমক্তনি। লম্বী শেম্বীদে, চেঙগী চাকথুং ফজনা পীবিদে, পূম্নমক ফংফম থোকপা, লৌখৎফম থোকপা শোয়দনা লৌখৎলক্কদৌরিবনি। মীয়ামগী থৌগল তৌরগা ওইদ-পাদবা থবক তৌবা, লৈঙাক্না করিগুম্বদা কাউবা নত্তে। ফংফম থোকপা চৈরাক ফংদনীংঙাই লৈরোই। লায়না-লাইচৎসিনা মীওই খুদিংবু ৱাবা য়াবা ৱাহল্লগা মমৈদা মখোয়না ঙমহনবদি য়াবা নত্তবসিনা মালেমসিগী মনুংদা হিংলিবা তাইবঙ মীওইবা কাঙলূপসিনা মমি ফাওবা নমদনা লৈহল্লোইদৌরিবনি। লায়না লাইচৎসিবু লায়েংলিবা ডাক্টর কয়া, পোলিটিসিয়ন কয়া, কোভিদ-১৯না ঙমদুনা পুখ্রবসু হিংহৌরিবা ঐখোয়না কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্নরিবনিনা মানা ঙমহনবদি য়াবা নত্তে। হিংলিবা ঐখোয়না ঙমদবা য়াদবনি। কৈরোই লৈকায়দা পৈশা নুংশা ফনা নিংথিজনা পায়রবা মীওইশিংসিদি মাগী লৈরিবা মরল মথুমশিংদুগী হিসাব য়েংলগা চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লুপা লিশীং তরাদা ওইরবসু হেল্লবসু তেংবাঙবদা ফত্তবা হায়বদুদি ওইররোই। মসিগী ৱাখলসিদি মীওই মীওইদুগী ৱাখলদা লৈদৌরিবনি। শিকিদগী মখায়, মখায়দগী লুপা... হেনগৎলিবা মখৈ হেনগৎপা পাম্বা কনাগুম্বা মীওই অমত্তদসু পীথোকনীংদবা লৈকায়গী খুলগী মনুংদা শেঞ্জাও পায়বা কয়া অমা লৈরিবনি। কনা-কনাগুম্বা খরনা হায়নবা লৈ - মখোয়গী খুরা তোমচৌগী লৌ পরি অমা য়ৈবদা হৈথা পোৎথানি হায়দুনা হৈক্রু লুপা তরাগী ... মসিমক অচুম্বা হায়বদু শোয়দনা ওইরমদৌরিবনি। শেন্দ্রাং মথি অনানি হায়দুনা খুনগদবগী তাঞ্জা য়েংবা মীওইসু মীওইবা ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওদবা নত্তে। মখোয়শিংসিনা হেক তাইবঙপান থাদোকপদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা শাংথনা শোন্নবা হায়বা অদুমদি থাজবা ৱাৎলগদবনি। ওক্সিজেনগীদমক উমং-ৱামং য়োকখৎকদবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়বীবা শোয়বা য়াদ্রবা ৱাফমনি। খূৎথীবা নংলিবা মখৈ শিনীংচিত্তা হিংহৌবা মীওই পঙবদি লায়রদুনা মথংগী লাইচৎতা শিংদনীংঙাই লৈরোই। অসুক য়াম্না থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা শিবা চংবা লাইবক য়েংনরবা মতমসিদা গাড়ী হুরানবা, মীবু মীনা হাৎতোক্লগা থনম্বা পূম্নমকসি মুন্না খল্লুরবদি কান্নবা থবক অমত্তা নত্তবনি। মীহাৎপদু করিগুম্বা অফা-অপুন তৌরবা মানা তৌদৌরিবসি করিনো? মানা তৌবনা মানা ফংবা ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা মসিদি শোয়দ্রবনি। নমথাক তৌদুনা থাজহল্লগা পৈশা লৌবদা খঙনরক্লবা মতমদা শুংশোয় শোয়দনা ফাননবা খোঙ্গুল লীবা শোয়দ্রবনি। মীহুৎ ওইগেরা, মীচম ওইগেরা, ডাক্টর ওইগেরা, কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎসিদদি অচান মীরাইদি খাইদবগুম তৌরবনি। য়াম্না মরু ওইবা অমনা মালেমগী লাইচৎ অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি নাথৈবগী মমি তারিবসিনা কোভিদ-১৯গী নারকপগী মরমনি। দল্লিয়ু ঐচ ওনা পীরিবা গাইদলাইনশিং নিংথিনা ঙাক্না চৎলসি। কাউররোইদবা অমনা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিংসি কায়রকপদা অশোয়বা হায়বদুমা ওইরবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।